**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12.05.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরগী ইরাং অসিদা মীওই খরনা রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরোইদবনি।

২) মণিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং মশক খঙদোকবা কেবিনেট সব-কমিতিগী থবক থৌরম মখা চত্থরগনি হায়রি।

৩) মণিপুরদসু ঙসি মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে।

৪) মালেমগী ইমাগী নুমিৎকী পালনগা মরী লৈননা রাজ্য অসিদা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) লোক সভা মীখলগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনবগীদমক শেম শাবা লোইরে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ইরাং অসি মীওই খরনা ফাগিগুমা য়ামা লাইনা লৌদুনা রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরোইদবনি।

ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- মণিপুরগী ইরাং অসিদা মীওই কয়াগী পুন্সি লোইখ্রে, কয়া অমনা ময়ুম মকৈ লৈতনা ৱানা লেল্লি। ৱাথোক অসি ইচম চম্বা ৱাথোক

অমা নত্তে হায়রদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ৱাথোক অসি চহি লিশিং ২-৩ লোমগী পুৱারী লৈবা য়েলহৌমীশিংগী লাইবক লেপকদৌরিবা য়ামা লুবা তানফম অমনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা সোসিয়েল মিদিয়াদা কনাগুম্বশিংনা মরম চাদনা পংথা থাগৎপগী থৌওং তৌবীগনু।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ইরাং অসিদা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী য়ুম শাননবা শেনফম পীখ্রবসু য়ুম শাদবা খরা য়াওবগী পাউ লৈরে। মসিদসু নত্তনা হৌজিক ফাওবদা য়ুম শানবা শেনফমশিং লৌবা লাক্তবা খরসু য়াওরি। মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু সি.এমদা হায়সি হায়বা ফোন নম্বর- ৯৫৩৪৭৯৫৩৪৭ ফোন তৌরক্তুনা মতেং লৌনবা হোৎনবীয়ু।

অমরোমদা, রিলিফ কেম্প অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিংনা লন্বী শোরোক্তা ৱানা থোক্তুনা পোৎ য়োনবগী থবক চথুরিবা অসি তোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। মখোয়না শারিবা পোৎলমশিং অদু পুন্না পুন্না চান্নবা মমলদা লৈশিল্লগা হোলসেলদা থাদোকবা থবক লৌখৎলে। মসিগীদমকসু সি.এমদা হায়সি হায়বা ফোন নম্বর ৯৫৩৪৭৯৫৩৪৭ অসিদা পাউ ফাওরকবসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

সিএম-২ (এল)ঃমণিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং মশক খঙদোকবগীদমক কেবিনেট সব-কমিতিনা লৌখৎলম্বা থবক থৌরমশিং অমুক হন্না হৌরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ইং ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌখিবা মণিপুরগী ইরাং অসি থোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা মণিপুর সরকারগী কেবিনেট সব-কমিতি অমা শেমদুনা মীতোপ খন্দোকপগী থবক চথুরমখি। অদুবু মতম খরা লেপ্পুরবা কমিতি অসিগী মথৌ নৌনা জিলাগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা সরকারগী ওফিসিয়েলশিংনা মখা চথুরগনি। জিলা মঙা- কামজোং, উখ্রুল, চুরাচান্দপুর, চান্দেল অমসুং তেংনৌপলগী এস.পি, এদ্দিসনেল এস.পি, এস.দি.ওনচিংবা য়াওনা ওফিসিয়েল ১০ দা হায়রিবা থৌদাং অসি শিন্নখ্রে।

শ্রী বিরেন্না মখা তানা হায়- মণিপুরদা হোংলক্লিবা দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্স অসি মতম চানা য়েংহৌদ্রবদি য়েলহৌমীশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভমদা লৈরকপদগী কেবিনেট সব-কমিতি অসি শেম্লগা মীতোপ খন্দোকপগী থবক হৌখিবনি। কুকি ফুরুপকি মন্ত্রি লেতপাউ হাওকিপনা চেয়ারমেন, নাগা ফুরুপকী মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাই অমদি মৈতৈ ফুরুপকী মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা মেম্বরশিং ওইদুনা হৌখিবা চহিগী এপ্রিল ১ দগী হৌদুনা কমিতি অসিনা মীতোপ লিশিং ২,৪৮০ খন্দোকপা ঙমখি। মসিগী মতুং মে ৩ দগী ইরাং লাকখিদুনা মীতোপ খন্দোকপগী থবক অসি লেপখিবনি। মহাকা হায়- হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা আইন কায়না চংলকপা মীতোপ লিশিং ৭,৯৩৭ লৈরি। মসিগী মনুংদা মশানা য়ানা মরমদা মীওই ৩২৯ হনখ্রে।

নর্স ডে (এল)ঃ মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ পালন ঙসি মণিপুরদসু মফম কয়াদা পাঙথোকখি।

ইম্ফালগী জেনিমসকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ পালন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তর- ডাঃ ও. সনাহনবী দেবীনা হায়- হোস্পিলতাশিংগী অনা লায়েংগী খুদোংচবশিং নিংথিনা ফংহন্নবা হোৎনবদা নর্সশিংগী থৌদাং য়ামা চাওই। ডাক্তরশিংনা অনাবশিংবু য়েংলবা মতুংদা ফগৎহন্নবা পীরম্বা পাউতাকশিং অদু অয়ুক নুংথিল অমদি নুমিদাং খায়দনা নর্সশিংনা শেন্নদুনা নারবা মীওই অমবু মায় পাকা লায়েংনবা হোৎনরিবনি। মহাকা হায়- নর্সশিংনা পি.ঐচ.সি, সি.ঐচ.সি অমদি হোস্পিতালনচিংবদা অনা লায়েংদা থৌদাং য়াবদগী হেন্দোক্তুনা নাদ্রিঙৈদগী হৌদুনা ইম্যুনাইজেসনগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা নারক্তনা হোৎনবদসু চাউরবা থৌদাং লৌরি।

মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ এল. ইন্দিরানা হায়- নর্সশিংনা অনাবশিংগী সেবা তৌবতা নত্তনা খুন্নাই অমা তিনজং কাইজংদনা লৈহন্নবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

মাদরস দেঃ মালেম শিনবা থুংবদা ঙসি ইমাগী নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকরি। মমা ওইবীশিংগী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা পালন থৌরম অসি ১৯০৮ দগী পাঙথোকপা হৌরকখিবনি।

মনিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকরি। অকাশবানি ইম্ফালনা পালন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা কোইনা চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিন্দুনা থৌরম অসি পাঙথোকপা থেংনখি। ঐখোয়গী চান্দেল পাউমীনা হায়- জিলা অসিগী চর্চশিংদা ঙসি অয়ুক মালেমগী ইমাগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা লাইশোল থৌরম পাঙথোকখি। মসিগা লোয়ননা মমা ওইবীশিংদা খুদোলপোৎ পীখি।

ইম্ফাল ইষ্টগী লুৱাংশংবম মখা লৈকাইদা লৈবা শ্রীবান হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু স্কুলগী প্রিন্সিপাল ইরোম উসারানিনা লুচিংদুনা উ চারা ২০০ রোম মহৈরোইশিংগা লোয়ননা থাখি। উ চারাশিং অদুদা নাস্পতি, য়োংচাক, চম্প্রা, মোসমিনচিংবা উহৈ পানবা চারা কয়া য়াওখি।

মালেমগী ইমাগী নুমিৎ নোনে অমদি তমেংলোং জিলাদসু পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগা তোঙান তোঙানবা চর্চশিংদা মমা ওইবীশিংগীদমক অখন্নবা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম পাঙথোকপনা পালন থৌরম অসিগী মপুংওইবা শক্তম ওইখি।

থৌবাল, কামজোং অমদি বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি মালেমগী ইমাগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল য়ু (এল)ঃ হৌখিবা এপ্রিল ১৯ দা পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা থৌবাল জিলাগী এনফোর্সমেন্ট টিম অমসুং জিলা অসিগী এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎলকখিবা য়ুশিং ঙসি মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- লুপা লাখ ১০ রোমগী মমল ওইগদবা য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাংশিং অদু থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক

এক্সাইজগী ওফিস কমপ্লেক্সতা হৈদোক্তুনা মৈ থাখিবনি। হায়রিবা য়ুশিং অসি মমাং চহিগী জন্ ১ দগী চহি অসিগী এপ্রিল ৩০ ফাওবদা পল্লেল, ককচিং, থৌবাল, লিলোং অমসুং য়াইহিরিপোক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এক্সাইজ ষ্টেসনশিংনা ফাগৎলক্তুনা য়াইহিরিপোক এক্সাইজ ষ্টেসনদা থল্লকখিবনি।

গ্যাস(এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথাবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায়দা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লৈনুংদগী লৈখোম লৈনাংগা লোয়ননা গ্যাস কাপথোরকবা অদুগা মরী লৈননা মফম অদুদগী মীতর ১০০না কোনবা মফমদা মীয়ামা চংবীদনবা অমদি শাফগদবা মফমশিংদা লৈনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা খঙহল্লক্লি।

ঙরাংদগী হৌনা কাপথোরকখিবা গ্যাস অদু ঙসি অয়ুক ফাওবদসু মখা তানা গ্যাস কাপথোরকখি। হেন্দ পম্প শেমবগীদমক লৈনুংদা হুৎপদা লৈখোম লৈনাং অমদি গ্যাস মথকলোমদা ফুট ৩০ রোম ৱাংনা কাপথোরকখিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদ টি. ঐচ কিরনকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- থৌদোক অদু ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স অমদি অতৈ মরী লৈনবা টেকিকেল ষ্টাফশিংনা য়েংশিল্লি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহন্দবা চেকশিন থৌরাং ওইনা অজমানা নাদুনা সোর হোনবদা নুংঙাইতবা লৈবা, কোবিন্দ নাইন্তিননা নাখিবা, অপিকপা অঙাংশিং অমদি মীরোনবিনচিংবশিংনা মফম অদুগী মীতর ১০০না কোনবা মফমদা চংদনবা অমদি শাফগদবা মফমশিংদা লৈনবসু খঙহল্লক্লি । মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা ইংখোলশিংদা হৌবা ইন্সাং নাপীশিংসু নিংথিনা চামথোক্লবা মতুংনা চাননবা চেরোল অদুনা খঙহল্লি।

জিষ্ণু(এল)ঃ হন্দক্কী লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রগী অৱাবা তারবা য়ুমথোঙশিংদা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ- পাউনম ব্রোজেন্না জিষ্ণু য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা শ্রী ব্রোজেন্না হায়- সরকারগী মাইকৈদগী পীরক্কদবা মতেংশিং অসিগী মথক্তা অৱাবা তারবা

ইমুংশিংদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা জিঙ্খ্ৰ য়েঙ্থোকপনি।

ড্ৰামা (এল)ঃ রিসরজেন্ট আর্ট ফাউন্দেসন্না পুথোকপা থিয়েটর প্লে- অচুম্বা শাবা, ঙসি ইম্ফালগী জে.এন. ডান্স একাদমিগী ওদিতোরিয়মদা প্ৰেমিয়র সো উৎখ্ৰে। থিয়েটর প্লে অসি পচা মীতৈগী নোভেল- না তাথিবা অহল অমা, হায়বদুদগী লৌথোকপনি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী খাঙবোক খুঙ্গংদা হন্দকী নোং নুংশিৎ অমদি লেন্না অমাং অতা থোকহনখ্ৰবা মীওইশিংদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী মীৎয়েং মখাদা এস.দি.ও থৌবাল অমদি বেদসকো খাঙবোকনা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীখ্ৰে হায়রি।

শঙ (এল)ঃইম্ফাল ইষ্টকী ৱাইতোনদা ঙসি পান্থোইবী শিন্নাই কৌবা ফিশাবীশিংগী শঙ অমা শঙ্গাখ্ৰে। ৱাইতোন মমাং লৈকাইদগী তোইজম জোনিতা কৌবী নুপী অমনা চহি মরিরোম চংনা কন্না হোৎনদুনা তোঙান তোঙানবা মখলগী ফিশিং শানবা মীওই ২০০ রোম তাকপী তম্বীরবা মতুংদা লৈশাবীশিংতগী ওইবা রেসিদেন্সিয়েল কেম্প অমা তৌদুনা শিন্নাই শঙ অসি হাংদোকপনি হায়রি।

কেম্প (এল)ঃ কৈশামপাৎতা লৈবা মণিপুর পিপলস ক্লবতা ঙসি স্পেসিয়েল আউটরিটচ হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্ৰে। মদুদা মীওই ৯৩ রোম লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু লেমা পীখি হায়রি।

টাইকুন্দো (এল)ঃ৩৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইকুন্দো চেম্পিয়নসিপ ঙসি খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লোইশিনখ্ৰে। চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ৯ দগী চথ্ৰকখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি ২০২৩-২৪ গী সেমি ফাইনেলগীদমক হয়েং মণিপুরগা তামিলনাদুগা অয়ুক পুং ৮ দা এ.আই.এফ.এফ নেসনেল সেন্তর ওফ এক্সেলেন্সতা শান্নরগনি। নুংথিল পুং ৩ দনা হরিয়ানাগা নোংচুপ বেঙ্গলগা কিশোর ভারতি ষ্টেদিয়মদা থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৫ দা কিশোর ভারতি ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চথুরিবা ৫ শুবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল ওপন সোক্কর তুরনামেন্টকী ঙসিগী মেটচশিংদা মঙাং এফ.সি নম্বোলনা বুধিরঞ্জন এফ.সি য়াইস্কুলবু পাঞ্জল ২-০ দা, তাহদা এফ.সি তৌবুলনা বোলেরো এফ.সি বামোন লৈকাইবু পাঞ্জল ১-০ দা অমসুং অঙনবা এফ.সি থোংজ্না কংলৈপাক পারি ইম্ফালবু টাই ব্রেকতা ১-০ দা থোইখ্রে।

এথলেটিক্স (এল)ঃ এথলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌখিবা থা অসিগী ৯ দগী চথুরকখিবা ৪৩ শুবা ষ্টেট এথলেটিক চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোইশিনখ্রে। সি.দব্লিউ.সি. নুংগোইনা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

মীখলঃ লোক সভা মীখলগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনবগীদমক শেম শাবা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৯ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৯৬ তা ভোট থাদনগনি। মীরেপ লিশিং ১,৭১৭ না লম্বা তৌনগদৌরিবা মীখল অসিদা অন্ধ্র প্রদেশকী সিট ২৫, তেলঙ্গনাগী সিট ১৭, উত্তর প্রদেশকী সিট ১৩, মহারাষ্ট্রগী সিট ১১, মধ্য প্রদেশ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিট ৮-৮, বিহারগী সিট ৫, ঝারখন্দ অমদি ওরিষাগী সিট ৪-৪ লোয়ননা জম্মু এন্দ কাশ্মী য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী সিট ১ ওইরি। ইলেক্সন কম্মীসননা হয়েংগী মীখল অসি নিংথিনা অমদি শান্তি ওইনা পাঙথোকপা ঙমবা দরকার লৈবা থবক খুদিংমক লৌখৎলে।

তাঙ্কক অসিদা অন্ধ্র প্রদেশকী বিধান সভা কেন্দ্র ১৭৫ অমদি ওরিশাগী বিধান সভা কেন্দ্র ২৮ গী মীখলসু পাঙথোক্কনি। মীখল অসিগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ১ লিশিং ৯২ গীদমক পোল্লিং ওফিসিয়েল লাখ ১৯ মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎনখ্রে। মীখল অসি হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা থাদনগনি।

ইসরোঃ  ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না এদিতিব মনুফেকচরিং তেকোলোজিনা শাবা অনৌবা লিকুইদ রোকেট ইঞ্জিন মায় পাকা চাংয়েং তৌখ্রে।  টামিল নাদুগী মহেন্দগীরিদা লৈবা ইসরোগী প্রোপলসন কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ৯ দা চাংয়েং অদু পাঙথোকখিবনি।

নৌনা শেমদোক্লবা পি.এস.ফোর ইঞ্জিন অসিনা মসিগী পার্ট মশিং হন্থহনবগা লোয়ননা রো মেতিরিয়েলশিং শিজিন্নবগী চাংসু হন্থহল্লগনি। অকাশবানি পাউমীনা হায়- নৌনা শেমদোক্লবা ইঞ্জিন অসি পি.এস.এল.ভি লোঞ্চ ভহিকলগী মরি শুবা ষ্টেজদা অমদি পি.এস.এল.ভিগী অহানবা ষ্টেজগী রিয়েক্সন কন্ত্রোল সিষ্টেমদা শীজিন্নগনি।

------